সনালৈবাক
Imphal, Friday, April 10, 2026

*ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ-তা কম্পিটিসন:*

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা নুপাগী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা নুপীগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (এস এন এস)ঃ

এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিস ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৬তগী চথরিকখিবা ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি থাঙ-তা (মেন এন্দ ৱুমেন) কম্পিটিসন ২০২৫-২৬দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা নুপাগী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ইম্ফালনা নুপীগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি ২৮ রোম্না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ৯, সিলভর ৪ অমসং ব্রোঞ্জ ২ য়াওরগা পূন্না মেদল ১৫ লৌদুনা নুপাগী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গোল্ড ৫, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৮ য়াওরগা পূন্না মেদল ২০ লৌদুনা রন্নরস অপ তাবা ঙমখি।

নুপীগী সেক্সনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গোল্ড ৮, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ য়াওরগা পূন্না মেদল ১৪ লৌদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন লৌখিবগা লোয়ননা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ য়াওরগা পুন্না মেদল ৮ লৌদুনা রন্নরস অপ তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী ফূনবা অনীশুবা ইভেন্টগী কেজি ৮০ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন বিকাসনা গোল্ড, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী সন্দিপ দত্তনা সিলভর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লেনিন ইরেংবম অমসুং এগ্রি য়ুনিভর্সিটি ওফ কোতাগী গৌতম শর্ম্মনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ফূনবা অনীশুবা ইভেন্টগী কেজি ৮০ মথক্তা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী অবিন জোসেফনা গোল্ড, সের-ই কাশ্মির য়ুনিভর্সিটি ওফ এগ্রি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী হমিদ মাগ্রেনা সিলভর, এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী চিত্তরঞ্জন বর্মা অমসুং তামিল নাদু ফিজিকেল এদুকেসন এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী আর দিনেসনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী থাঙ- হায়বা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থোইবা য়ুম্নামনা গোল্ড অমসুং ডা. কে এন মোদি য়ুনিভর্সিটিগী অরুন সিংহনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। থাঙলোন ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়ুম্নাম দিপকনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এন রামেসচন্দ্রনা সিলভর অমসুং ইকফাই য়ুনিভর্সিটিগী সৌরভনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী খোঙলোন-খুৎলোনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়ুম্নাম উমাকান্তনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী নিংথৌজম মহেসনা সিলভর অমসুং তামিল নাদু ফিজিকেল এদুকেসন এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী কেভিননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী থাঙ- হায়বা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ককচিংতাবম মিনাক্সিনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মোনিকা মৈত্রমনা সিলভর অমসুং এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী পায়লনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। থাঙলোন ইভেন্টদা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী লোংজম সোফিয় চনুনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নিংথৌখোংজম দাইসিনা সিলভর অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মোইরাংথেম ইনুঙানবীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবগা লোয়ননা নুপীগী খোঙলোন-খুৎলোন ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রাসুনি হুইদ্রোমনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাঙলেনথোইবী সি ঐচনা সিলভর অমসুং এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী নিতিকা ধয়ালনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুমিৎ মরিনিচুপ্পা চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সকী দিন প্রোফেসার সুমিত্রা ফাঞ্জৌবমনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়রগী দিন প্রোফেসার সিঐচ ইবোল সিংহনা প্রসিদেন্ট, য়ুনিভর্সিটি ওফ কাশ্মিরগী ফিজিকেল এদুকেসনগী ডাইরেক্টর অমদি এ আই য়ুগী ওবজাভর ডা. সুর্জিৎ অমসুং থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিং অমদি টিমশিংনা মনা মথুম খুৎশিন্নখি।

*বেদমিন্টন এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ:*

## অয়ুস ক্বার্টর চঙখ্রে, সিন্ধু অমসুং প্রনোই মায়থিহৌরে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

চাইনাগী নিংবোদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা অয়ুস সেত্তি নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবসু ঐচ এস প্রনোই অমসুং পি ভি সিন্ধু রাউন্দ ওফ ১৬দা মায়থিহৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা হৌজিক হৌজিক য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা অয়ুস সেত্তিনা মালেমগী ২০শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চাইনিস টাইপৈগী চি য়ু জেনবু মিনিট ৪১ চুপ্পা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেথ গেমদা ২১-১৬, ২১-১২দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অহানবা রাউন্দদা মালেমগী ৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা য়ুম্থু ওইরিবা চাইনাগী লি সি ফেংবু মায়থিবা পীরমখ্রবা চহী ২০শুবদা ঙায়রিবা অয়ুসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংে দানেসিয়াগী জোনাতন খৃষ্টিগা থেংনরগনি। অতোপ্পা রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা জোনাতন খৃষ্টিনা জপানগী ওকিমোতোবু ষ্ট্রেথ গেমদা ২১-১৮, ২১-১৩দা মায়থিবা পীরমদুনা মহাকসু ক্বার্টর পাইনেল চঙলকপা ঙমখি।

লেঙজুম শোকপদগী মতম কয়া মশান্না অসিদগী লাপথোক্লুনা লৈরুরবা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা চাইনাগী ৱেং হোং য়াংগী মখুৎতা ২১-১২, ২১-১৯দা মায়থিহৌদুনা কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোকখিবগা লোয়ননা পি ভি সিন্ধুসু নুপীগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচতা মালেমগী ২শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী চাইনাগী ৱাং ঝি য়িগী মখুৎতা ১৮-২১, ৮-২১দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা উনাতি হুদাসু জপানগী মিয়াজাকিগী মখুৎতা ২১-১৭, ২১-৯দা মায়থিহৌখিবগা লোয়ননা মিক্স দবলসতা দ্রুভ কাপিলা অমসুং তানিসা ক্রাসতোসু মালেসিয়াগী চেন তাং অমসুং পি ৱৈগী মখুৎতা ১৩-২১, ১৪-২১দা মায়থিহৌখ্রে।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং স্রুতি মিস্রা রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ভিয়েটনামগী থি দিয়ু লি অমসুং থি কানবু গেম অহুম অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ২১-১৫, ১৭-২১, ২১-১৩দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙখ্রে। রাউন্দ ওফ ১৬দা মখোয় অনীনা জপানগী ফুকুসিমা অমসুং মটসুমোতোগা থেংনরগনি।

*এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ:*

## নিতেসনা সিলভর মেদল অমা লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা মেদল ৫ শুহনখ্রে



বিসকেক, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

কিরগিষ্টানগী বিসকেকতা চথরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা নিতেস সিৱাছনা সিলভর মেদল অমা লৌদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল অনী শুহনবতা নত্তনা গ্রেকো রোমান রেষ্টলরশিংনা পূন্না মেদল ৫ লৌবা ঙমহনখ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা সিলভর মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ য়াওরগা পূন্না মেদল ৫ লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৯৭কী গ্রেকো রোমান ফাইনেলদা পেরিস ওলেম্পিক্সকী চেম্পিয়ন ইরানগী মোহমদহাদি অবদোলোনা নিতেস সিৱাছবু টেক্নিকেল সুপরিয়রিটিগী খুৎথাংদা ৭-১দা মায়থিবা পীরমদুনা মথংশীৎনা গোল্ড অমদি সিলভর লৌবা ঙমখি। চহী ২৪শুরবা নিতেস সিৱাছনা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী মমাঙগী এদিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অদুদগী হন্দক্কী ইদিসননা হেন্না ফগৎপা ঙমদুনা সিলভর মেদল লৌখিবনি। মহাক্না সিলভর মেদল লৌখিবা অসিনা ওলেম্পিক কেটাগোরিদা এসিয়ন মেদল য়াম্না লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা চনবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কেজি ৬৭কী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা সচিন সেরাৱটনা উজবেকিষ্টানগী অব্দুমালিক অমিনোভপু পোইন্ট অমখক হেল্লগা ৬-৫দা মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙম্বতা নত্তনা মহাক্কী অনীশুবা এসিয়ন মেদল ওইবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা নুপাগী কেজি ৮২গী গ্রেকো রোমান কেটাগোরিদা চহী ২০ শুরবা প্রিন্সনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল টেল্লিদা মেদল অমা হাপচিনবা ঙমখি। ৱেঠ কেটাগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা প্রিন্সনা টুকমিনিষ্টানগী দিদার অমানজারোভবু টেক্নিকেল সুপরিয়রিটিগী খুৎথাংদা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হুমনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা মেদল অহুম লৌখিবগা লোয়ননা নুপী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলর অনী ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকীদমক মফম কনবা ঙমখি। নুপীগী কেজি ৫৫দা হন্সিকা লম্বা অমসুং নুপীগী কেজি ৫৯দা নেহা মখোয় মখোয়গী ৱেঠ কেটাগোরিগী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকী মফম কনবা ঙমখিবনি।

হন্সিকানা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী য়ুজুৱান লিগী মখুৎতা ১১-১দা মায়থিহৌখিবগা লোয়ননা নেহাসু হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন চাইনাগী মেংয়ুগী মখুৎতা ১২-৫দা মায়থিবা নঙহৌখি। হন্সিকানা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা অরুকেগা থেংনবগা লোয়ননা নেহানা মোঙ্গোলিয়াগী বোলোরতুয়াগা থেংনরগনি।

*এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ:*

## মিনাক্সি, প্রিতি, প্রিয়া অমসুং অরুনধাতিনা গোল্ড লৌখ্রে



উলানবটার, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

মোঙ্গোলিয়াগী উলানবটারদা চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মিনাক্সি হুদা, প্রিতি পৱার, প্রিয়া অমসুং অরুনধাতি চৌধরিনা গোল্ড মেদল লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা পূন্না মেদল ১০ লৌবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা মেদল টেল্লিদা দোমিনেট তৌবা ঙমখ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা গোল্ড ৪, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ লৌদুনা পুন্না মেদল ১০ লৌখ্রে। গোল্ড মেদলশিং অদু মিক্সাসি হুদানা কেজি ৪৮দা, প্রিতি পৱারনা কেজি ৫৪, প্রিয়ানা কেজি ৬০ অমসুং অরুনধাতি চৌধরিনা কেজি ৭০দা লৌবগা লোয়ননা সিলভর মেদল অদুনা অলফিয়ান পথাননা কেজি ৮০ মথক অমসুং জস্মিন লম্বোরিয়ানা কেজি ৫৭গী কেটাগোরিদা লৌবা ঙমখি। ব্রোঞ্জ মেদল মরি অদুনা নিখট জারিননা কেজি ৫১, অঙ্কুসিতা বোরোনা কেজি ৬৫, লোভলিনা বোরগোহেননা কেজি ৭৫ অমসুং পুজারানিনা কেজি ৮০দা লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৪৮গী ফাইনেলদা মিনাক্সিনা য়ুম্থু ওইরিবা মোঙ্গোলিয়াগী নোমুনদারি অঙ্গলানবু ৫-০দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। প্রিতিনা অনীশুবা গোল্ড মেদল ওইনা কেজি ৫৪গী ফাইনেলদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অহুমরক ওইবা ঙমখ্রবা অমদি ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমসু ওইরিবী চাইনিস টাইপৈগী হুৱাং ৱেনবু য়ুনানিমস দিসিজনগী খুৎথাংদা ৫-০দা মায়থিবা পীদুনা লৌখি।

নুপীগী কেজি ৬০গী ফাইনেলদা প্রিয়ানা নোর্ঠ কোরিয়াগী ৱোন উনবু ৩-০দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী মেদল টেল্লিদা গোল্ড মেদল অমা হাপচিনখিবগা লোয়ননা মরিশুবা গোল্ড মেদল অদুনা নুপীগী কেজি ৭০গী ফাইনেলদা অরুনধাতি চৌধরিনা কজকষ্টানগী বাকিট সৈদিসবু ৪-১দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী কেজি ৫৭গী ফাইনেলদা জস্মিন লম্বোরিয়া থাইলেন্দগী পুনরাৱিগী মখুৎতা ৫-০ অমসুং নুপীগী কেজি ৮০ মথক্কী ফাইনেলদা অলফিয়া পথান কজকষ্টানগী ইস্লামবেকোভাগী মখুৎচা চপ মানবা মার্জিনদা ৫-০দা মায়থিদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেটাগোরিশিংদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ১০না শরুক য়াখিবগী মনুংদা বোক্সর তরামক মেদল লৌবা ঙমদুনা ইতিহাসিক ওইবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদুনা নুপীগী মেদল টেল্লিদা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙমখি।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৫০দা বিশ্বনাথ সুরেস অমসুং কেজি ৬০দা সচিন সিৱাছ ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা হান্না নুপা বোক্সর ৪ ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মরম্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ১৬ শোয়দনা ফংবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবনি।

ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা নুপা বোক্সর মরি অদুদি কেজি ৭৫দা অকাস, কেজি ৮৫দা লোকেস, কেজি ৯০দা হর্স চৌধরি অমসুং কেজি ৯০ মথক্তা নরেন্দর বরৱালনি।

নীংশিংবা য়াই, চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী অমত্তা ঙাইরবা বোক্সর মন্দেংবম জাদুমণি অহানবা রাউন্দদা মায়থিদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মপান থোকখ্রবনি।

### ভেটরান ফুটবোলগী মেটচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্লুনা সাই এন ই আর সি তাকয়েলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৪শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী থা অসিগী ১০দা শান্নগনি তৌরম্বা থার্দ প্লেস অমসুং ফাইনেল মেটচ হৌজিক লমদম অসিগী ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম অসিনা মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মীটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ই এম এফ সি লম্লাই অমসুং কৈশামথোং এফ সিনা শান্নরগা থার্দ প্লেসকী মেটচতনা এ এফ এফ সি ইম্ফাল অমসুং থাংমৈবন্দ এফ সিনা শান্নগদৌরিবনি।

### মেটচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরিবা ৩শুবা এম এন সি এ অন্দর-১৫ গালর্স অমসুং ৫শুবা এম এ এন সি এ বোইজ অন্দর-১৪ ৱান দে ট্রোফি লমদম অসিদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মখা তাবা নোটিশ অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা খঙহল্লক্লি। টুর্নামেন্টশিং অসি লমদম অসিদা মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিলক্লবা মতুং মখা তানা চথগনি হায়রি।

*আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱান:*

## ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিম ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

মেক্সিকোদা চথরিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱানদা ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিম ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱান অসিগী নুপীগী কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টদা মকোক থোংবা সিদতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী জোতি সুরেখা, মধুরা অমসুং প্রগতিনা সেমি ফাইনেলদা টর্কিবু ২৩৩-২৩০দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ফাইনেলদা য়ু এস এগা থেংনরগনি।

অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী আর্চর ৩গী কম্পাউন্দ টিম অসিনা দেনমার্ককী আর্চরবু পোইন্ট ১ খক হেল্লগা ২৩৫-২৩৪দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিমনা ফাইনেল চঙখ্রবসু ওজাস দিওতালে, অভিসেক ভর্মা অমসুং সহিলনা শাবা নুপা কম্পাউন্দ টিম অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা মেক্সিকোগী মখুৎতা ২৩২-২৩৪দা মায়থিহৌখ্রে।

কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টশিংগী ইলিমিনেসন রাউন্দ হৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর ৪ অমসুং নুপা আর্চর ২ য়াওনা পূন্না আর্চর ৬ রাউন্দ ওফ ৩২ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ আর্চরশিংগী মনুংদা কুসাল দলাল য়ুম্থু ওইরিবা মেক্সিকোগী সেভেষ্টিয়ন গারসিয়াগী মখুৎতা ১৪৬-১৪৯ অমসুং সহিলনা গ্বাতমালাগী জুলিয়ো অরাগোনগী মখুৎতা ১৪৭-১৪৮দা মায়থিদুনা রাউন্দ ওফ ৩২ চঙবা ঙমখিদ্রে।

নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল রিকভ ইভেন্টগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ হৌখিবগা লোয়ননা ধিরজন ১০শুবা পোজিসন, তরুনদিপ রাইনা ৩৫শুবা পোজিসন, য়াসদিপনা ৫৫শুবা পোজিসন অমসুং অতানু দাসনা ৬০শুবা পোজিসন তাখ্রে।

### দাইমন্দ লীগ য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

ৱেষ্ট এসিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী মে ৮দগী কটারগী কেপিটেল দোহাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা দাইমন্দ লীগ সিজনগী ওপনিং রাউন্দদা চহী অসিগী জুন ১৯ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং ইজরেলনা ইরান অমসুং ইস্লামিক রিপাব্লিকতা অকনবা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা নাকল অনীগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা ত্রেক এন্দ ফিল্ড লীগ অমা ওইরিবা দাইমন্দ লীগ য়ৈথোকখিবা অসিনা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী নৌনা য়ৈথোকপা মকোক থোংবা স্পোর্টিং ইভেন্ট অমা ওইরি।

ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখিবদা লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল য়াওনা মীয়ামগী শাফনবা খল্লগা য়ৈথোকখিবনি। ইরাং অসিগী ফিভম খরা ফগৎলক্লবদি চহী অসিগী জুন ১৯দগী অমুক হন্না হৌগনি। করিগুম্বা মতম অসিদা কা হেন্না শাগৎলক্লবদি লীগ অসি পাঙথোক্কনি তৌরিবা কটার স্পোর্টস ক্লবতগী খালিফা ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা হোঙদোক্লবা মীৎয়েং থল্লি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমনা চহী ২৪গী মতুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নগদৌরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী মেন’স ফুটবোল টিমনা চহী ২৪গী মতুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা চৎতুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী মেন’স ফুটবোল টিম অসিনা মে ২৬তগী ৩০ ফাওবা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিটি কপ ২০২৬তা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা জমাইকাগা থেংনগনি।

লৈবাক মরিগী ফ্রেন্দলি টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়া য়াওনা নাইজেরিয়া, জমাইকা অমসুং জিম্বাবৱেনা শরুক য়াবগা লোয়ননা চল্টন এঠলেটিক এফ সিগী গ্রাউন্দদা অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা মে ২৬তা নাইজেরিয়া অমসুং জিম্বাবৱেনা শান্নরগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা মে ২৬তা ইন্দিয়া অমসুং জিম্বাবৱেনা শান্নগনি।

সেমি ফাইনেলদা মায় পাক্লবা টিম অনী অদুনা মে ৩০দা ফাইনেল শান্নরগা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা টিম অনী অদুনা থার্দ প্লেসকীদমক শান্নগনি।

ইন্দিয়ানা অরোয়বা ওইনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ২০০২দা জমাইকাগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নখিবদগী ঙসি ফাওবা লৈবাক অসিদা খোঙদাদ্রিবনি। চহী অদুদা জমাইকাগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা ইন্দিয়া জমাইকাগী মখুৎতা অহানবা মেটচতা ০-৩দা মায়থিবা নঙখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমনা ঙসি ফাওবদা নাইজেরিয়া অমসুং জিম্বাবৱেগা মেটচ অমা ফাওবা শান্নদনা লাকখিবগী খোঙচৎ অদু হন্দক্কী য়ুনিটি কপ অসিদা লোয়শিল্লবা য়ারি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল সত্যানরায়ননা ফোঙদোকখিবদা চহী ২৪গী মতুংদা ইন্দিয়াগী টিমনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা খোঙদাগদৌরিবা অসি চাউথোকনিং ঙাইনি। য়ুনিটি কপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা শরুক য়াদুনা ফুটবোলগী লমদা থাক ৱাংনা লৈরিবা লৈবাকশিংগা মায়োক্নগদৌরিবা অসি শান্নরোইশিং অমদি ফেদরেসনগী ওইনা লাইবক ফবনি হায়খি। য়ুনিটি কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাক মরি অসিগী মনুংদা ফিফা মেন’স ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা ১৩৬ শুবা মফমদা লৈদুনা খ্বাইদগী রেঙ্ক নেম্বা লৈবাক ওইরি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com